# মহৈরোইশিংগী টেক্সবুক মতম চানা ফঙলোইদৌরি

ইম্ফাল, জনুৱারী ১ (এস এন এস) ঃ

মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা স্কুলশিং অমসুং বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা পুথোকপা লাইরিকশিং তস্লিবা বোর্দনা শকখঙলবা স্কুলশিংদা লাক্কিদৌরিবা একাদমীক সেসন ২০১৯দা মহৈরোইশিংনা তম্নবা লাইরিক খরদি মতম চানা ফংহনবা ঙমদবগী ফিভমদা লৈরে।

পাউচে অসিনা লাইরিকশীং নম্বগী থবক তৌরিবা প্রেস খরদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না চহী খুদিংগী ওইনা বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা পুথোকপা লাইরিকশিং অসি নম্নবা প্রিন্টিং ওর্দর অসি প্রেসশিংদা আগষ্ট নত্রগা সেপ্তেম্বর থাদা পীরগা লাইরিক নম্বা হৌবনি।

অদুবু চৎলিবা চহী অসিগী ওইনদি হৌখিবা দিসেম্বর ২০দা খক্তমক লাইরিক নম্নবগী প্রিন্টিং ওর্দর অসি প্রেসশিংদা পীরকখি। স্কুলশিংদি সেসন লাক্লিবা জনুৱারি অনিশুবা চয়োলদগী হৌনবা য়াওরগনি। মরম অসিনা মহৈরোইশিংগী লাইরিক অসি মতম চানা ফংহনবা ঙমলোইদবগী ফিভম অসি লাকপনি হায়রি।

অমরোমদা বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্নসু চহী অসিগী ওইনা লাইরিক নম্বগী থবক তৌবা প্রেসশিংদা প্রিন্টিং ওর্দর দিসেম্বর ২০দখক পীখি হায়রি।

লাক্কদৌরিবা একাদমিক সেসন ২০১৯ অসিগী তমগদবা লাইরিকশিং অসিগী করিক্যুলম অমসুং সিলেবাইশিংদা শেমদোক শেমজিন, হাপতোক হাপচিন খরা তৌবদা মতম খরা চংবনা মরম ওইরগা লাইরিক নম্বগী ওর্দর দিসেম্বর অহুমশুবা চয়োলদা পীখিবনি হায়খি।

অমরোমদা একদামীক সেসন অসিদগী ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবগী মেঠমেটিক্স অমসুং ক্লাস সিক্সতগী আইট ফাওবগী সাইন্স অসি নেসনেল কাউন্সিল ওফ এদুকেস্নেল রির্সার্ছ এন্দ ত্রেনিং (এন সি ই আর টি)গী সিলেবসতগী ষ্টেটকী ওইবা চান্নগদবা হিরমশিং হাপচিন্দুনা নৌনা নমথোক্কদৌরিবনি।

মসিগীদমক এন সি ই আর টি অমসুং ষ্টেট কাউন্সিল ওফ এদুকেস্নেল রিসার্ছ এন্দ ত্রেনিং (এস সি ই আর টি)গী মরক্তা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং খুৎয়েক পীনদুনা এন সি ই আর টিদগী কোপিরাইট লৌবগী অয়াবা ফংলে।

লাইরিকশিং অসি নম্বা মতমদা কোপিরাইট ফংলবসু এস সি আর টিনা তৌনিংবা তৌবা য়াদবগা লোয়ননা এন সি ই আর টিনা পীরিবা গাইডলাইনশিং অমসুং রিগুলেসনশিং অদু ইন্দবা য়াদবা লৈ।

নমগদৌরিবা লাইরিক অদু এন সি ই আর টিনা পুথোক্লিবা অদুগা চপ মান্নবা মওংদা পাকপা চাউবা, মখোয়গী ক্বালিতি অদুদা লাইরিকশিং অদু পুথোকপগী ৱাফম লৈরিবনি।

মসিগী খন্নবদা মতম চংবদগী মসিগী থবক অসি লোইশিনবা থেংবনা লাইরিক পীবদসু থেংখিবনি হায়খি।

অমরোমদা বোর্দনা লাইরিক পুথোকপগী থবক তৌগদবা নৎত্রবসু ষ্টেট অসিগী য়েংলগা তৌদবা য়াদবা অমা ওইনা মসিগী থবক অসি চংশিনলকপনি। বোর্ড অমসুং এস সি ই আর টি পুন্না থবক তৌমিন্নবগী তাঙ্কক অমদা হৌজিক লাক্লি।

বোর্দনা পুথোক্লিবা এস এস এগী লাইরিকশিং অমসুং কৈথেলদা য়োন্নবগী লাইরিকশিং অসি পুথোকপা মতমদা লন্নাই স্কুল অমসুং লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈরোই কয়া য়াম্না মীং চনবগে হায়বদু য়েংলগা মদুগী মতুংইন্না লাইরিক নম্বগী তঙাইফদবা লৈবনা মদু হোৎপদসু মতম চংবা লৈ হায়রি।

অদুবু বোর্দকী মায়কৈদগীদি হৌজিক লাইরিক নম্বা হৌখ্রবনিনা জনুৱারি অরোইবা চয়োল নৎত্রগা ফেব্রুৱারি অহাংনবা চয়োলদদি লাইরিকশিং অসি মহৈরোইশিংদা ফংহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

# থা ১দা বাইওফর্টিলাইজর টন ২ য়েন্থোকখ্রেঃ হিমট

ইম্ফাল, জনুৱারি ১ (এস এন এস) ঃ

লৈবাক লৈহাউ ফগৎহন্নবগী পান্দমদা গ্রিন ফাউন্দেসন মণিপুরনা হৌখিবা দিসেম্বর ৫ মালেমগী লৈবাক লৈহাউগী নুমিত্তগী হৌদুনা চখরকপা মালেমগী লৈবাক লৈহাউগী থাবুম লোইশিনখ্রে। দিসেম্বর ৫ দগী ৩১ ফাওবা চখখিবা থাবুম পালন থৌরম অদুদা লৌমীশীংদা বাইওফর্টিলাইজ অমসুং বাইও পেষ্টিসাইদ মেত্রিকটন ২ হেন্না লেম্না য়েন্থোক্তুনা লৈবাক লৈহাউ ফগৎহন্নবা থবক পায়খৎপদা মতেং পাঙখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী অৱাংখুনৌ মনিং লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা লোইশিনবগী থৌরমদা গ্রিন ফাউন্দেসন মণিপুরগী সি ই ও য়ু হিমটনা হায়, হৌখিবা চহী ইং ২০১৭ তগী গ্রিন ফাউন্দেসন মণিপুরনা মালেমগী লৈবাক লৈহাউগী নুমিৎ অসি পালন তৌদুনা লাক্লি।

হন্দক্কী চহী অসিদগীদি য়ুনাইটেদ নেসন্সনা গ্রিন ফাউন্দেসন মণিপুরবু মখোয়গী গ্লোবেল সোইল পার্টনরশিপ হায়না শকখঙবীবগা লোয়ননা পীরিবা ঠিমশিং অদু মীয়ামদা শন্দোকহন্নবা হোৎনবনি।

লৈবাক লৈহাউ কনবদা চংবা মচাকশিং অসি কন্নবা মীয়ামদা ৱাখল্লোন ফাওহনবনি। লৈবাক লৈহাউ ফহনবনা ঈশিং নুংশিৎ ফহনবা অমসুং অকোয়বগী ফিভম ফহনবা ঙমগনি।

য়ু এননা পীবা লৈবাক লৈহাউ ফহন্নবা পীবা ঠিম খরা অসি থা অমা চুপ্পা শন্দোক্লবা হোৎনবনি। দিসেম্বর ৫দা লৈবাক লৈহাউ নুমিৎ পাঙথোক্লবসু থা অমা চুপ্পা থৌরম পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা লৈবাক লৈহাউগী মরুওইবা অদু খঙহন্নবা হোৎনবনি।



মীয়ামনা লৈবাক লৈহাউ ফবা হায়রবা পোৎ থাবা ফবখক্তগী খনলি। লৈবাক লৈহাউ ফবা মতমদা ঈশিং ফগদৌরিবনি, লৈবাক লৈহাউদা থারিবা পোৎশিং ফগদৌরিবনি, অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ ফগদৌরিবনি।

হন্দক চহী ঠিম ওইরিবা ‘বি দি সোল্যুসন টু সোইল পোল্ল্যুসন’ হায়বসিনি। ঐখোয়না লৈবাক লৈহাউ কনসি হায়রবদি লৈবাক লৈহাউদা পোল্লুসন থোকহনবা য়াবা মচাকশীং হন্থহনলবা মতমদা লৈবাক লৈহাউ মাঙশিনলকপা কন্নবগী সোল্যুসন অদুমক ওইজরবনি হায়খি।

লৌউ শিংউবদা শিজিন্নরিবা কেমিকেলগী ওইবা তিল লায়নাগী হিদাকশিং অসি শিজিন্নবগী চাং হন্থরবদি লৈবাক লৈহাউমাঙশিনলকপা থিংগনি।

কেমিকেলগী ওইবা হার অমসুং তিল লায়নাগী হিদাকশিং অসি শিজিন্নবগী চাং হন্থহন্নবগীদমক গ্রিন ফাউন্দেসন্দা লাকপীবা লৌমীশিংদা থাবুম পালন থৌরম অসিগী মনুংদা বাইও ফর্টিলাইজর অমসুং বাইও পেষ্টিসাইদশিং অসি লেম্না ফংহনলি।

দিসেম্বর ৫ দগী ৩১ ফাওবা চখরিবা পালন থৌরম অসিদা লমদম অসিগী চীং অমসুং তমগী লৌমীশিংদা বাইও ফর্টিলাইজর অমসুং বাইও পেষ্টিসাইদ মেত্রিকটন ২ হেন্না লেম্না য়েন্থোকখি।

গ্রিন ফাউন্দেসগী পান্দমদি বাইও ফর্টিলাইজর অসি শিজিন্নবা মতমদা হৌজিক লৌমী অমনা শিজিন্নরিবা হারগী চাং অসিদগী শরুক ৩০ হন্থহনবদা চাথোক হন্থরোই হায়খি। করিগুম্বা ঙমজরগনা ওর্গানিক ওইনা বাইও ফর্টিলাইজর অসি শিজিন্নবা মতমদা চাথোক হন্থহন্দনা পোথোক পুথোকপা য়াগনি হায়খি।

থৌরম অদুগা মরি লৈননা রিজনেল সেন্টর ওফ ওর্গানিক ফার্মিংগী ওফিসির ইন চার্জ ডা.দি এস য়াদবনা হায়, সেন্টর অসিনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা ওর্গানিক ফার্মিংগী থবকশিং পুক্লিং থৌগৎনবা চংশিনলকপনি।

ওর্গানিক ফার্মিং তৌবা মতমদা লৌমীশিংনা কেমিকেলগী ওইবা হারশিং অমসুং তিল লায়নাগী হিদাকশিং য়াম্না চাং হন্থনবা শিজিন্নরগা হৌবা তাই।

লৌমীশিংনা কেমিকেলগী ওইবা হারশিং তিল লায়নাগী হিদাকশিং কাহেন্না শিজিন্নবা অসিনা মীওইবগী হকচাংদা শোকহনবতা নত্তনা লৈবাক লৈহাউদসু চাউনা শোকহনলিবনি।

কনাগুম্বা লৌমীশিংনা ওর্গানিক ফার্মিং তৌরে হায়রবসু পোথোকশিং অদু সর্টিফাইদ তৌদবা তারবদি পোথোকশিং অদু নেসনেল মার্কেটতা য়োনবা য়ারোইদৌরিবনি হায়খি।

ওর্গানিক ফার্মিংগী তৌবনা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন মপুং ফানা ফংহনবা ঙমগনি। লোয়ননা লৌমীশিংদা চাউনা কান্নবা পীবা ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# মণিপুরনা জাইভিক ইন্দিয়া এৱার্দ,২০১৮ ফংলকপা মীয়ামগী মপান্দগীনিঃ শ্যামকুমার

ইম্ফাল, জনুৱারি ১(এস এন এস) ঃ

ইন্টরনেস্নেল কম্পীতেন্স সেন্টর ফোর ওর্গানিক এগ্রিকলচর (ইক্কোআ)না মণিপুর লৈঙাক্কী হোর্টিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জার্ভেসনবা ওর্গানিক্কী ওইবা পোথোক পুথোক্নবা চংশিনলক্লিবা খোঙজং অসিবু শকখঙবীদুনা ইন্দিয়াগী অৱাংথংবা অমসুং অৱাংনোংপোক ষ্টেটশিংগী কাঙলুপতা অহানবা মনা ফংলকপা অসি লমদম অসিগী মীয়ামগী মপান্দগীনি হায়না হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং নিউ সেক্রেটেরিয়েটতা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা হায়, হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সিনা উত্তরাখন্দ অমসুং পঞ্জাবতগী হেন্দুনা ওগার্নিক ওইবা পোথোক পুথোক্নবা চংশিনলিবা অসিদা খ্বাইদগী ফবা ষ্টেট অমা ওইনা খনলকপা অসি নুংঙাইবা ফাওই।

লোয়শং অসিনা মীয়াম্বু কেমিকেলদগী থাপতোক্ল গা লৈহন্নবা মীয়াম ৱাখল তাহনখিবা ওফিসারশিংনা অথাপ্পা মফমদা চত্তুনা মীয়ামগা উন্নদুনা অনৌবা মায়ওন অমদা লাকহন্নবা হোৎনরিবা কয়া অসিদা মীয়াম্না খঙবীরকপদগী মনা অসি ফংলকপনি।

মনা অসি ফংলবা অসিমক ষ্টেট অসিগী চাউথোকচনিঙাইনি।

মণিপুর মীয়ামগী শুবা নোম্বা অমসুং হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টনা চখরিবা পোলিসি প্রোগ্রামশিংদা প্রজাশিংনা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনবীদুনা কিহোম, শিং, মরোই, চাকহাউ থারিবা অমসুং মখল কয়াগী মনা মশীংশিং থারিবা মীয়াম্না ওর্গানিক ওইবা পোথোক পুথোকপীদুনা মণিপুরবু মপুং ফাবা ওর্গানিক ষ্টেট অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না আপীল তৌখি।

# সিব সেনানা পি এম লাকপদা মেমোরেন্দম পীগনিঃ তোম্বী

ইম্ফাল, জনুৱারি ১ (এস এন এস) ঃ

লাক্লিবা জনুৱারি ৪ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইম্ফালদা লাক্কদৌরিবা অসিদা সিব সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী মায়কৈদগী মেমোরেন্দম পীশিন্না শেম শারে হায়না পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীনা ফোঙদোকখ্রে।

ইং ১৯৪৯ দা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনশিন–খবা মতমদা য়াওখিবা লমখৈ অদু রিসর্ভে তৌবিয়ু, হৌজিক মণিপুর মীয়ামগী পুক্নিংদা তয়াং তশোয়না লৈরিবা নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱাফম অসিদা জাতি কাঙলুপ ময়াম অসি নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবা য়ান্নবা অমসুং মদুগী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়হনবা য়ারোই হায়বা য়াওরি হায়না এম তোম্বীনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ইন্দো ম্যানমারগী হৌজিক লৈরিবা ঙমখৈগী চয়েৎনবা অসিগী মতাংদা চপ চাবা অমা খঙদোক্নবা হোৎনবীনবা ৱাফম য়াওগনি। ইং ১৯৬৪ দা শাখিবা তামিল শঙ্গম মনাক্তা শাখিবা লাইশং অদু ম্যানমারদা কিমি মখায় অমরোম চংশিল্লগা লৈবনা ইন্দিয়াগী সর্ভে টিমনসু চংশিল্লগা য়েংদে, মণিপুরগী ওফিসিয়েলশিংনসু মদু তাক্তে। মসি লাইবক থিবনি।

ইন্দিয়ানা ম্যানমার মনুংদা কিমি ১০০ লম্বী কোইলাস থানবা অমসুং থোংশিং শানবা ৱারেপ লৌরিবা অসি য়ুম্লোন্নবা লৈবাকশিংদা নুংশিনবগী মরি শাগৎপনি। অদুবু ক্বাথাদা লৈরিবা ঙমখৈ লমদম অসিগী ঙমখৈ ঙাক্তুনা লৈরিবা ইরৈচাশিংনা চৎলিবা লম্বী অদুদি উবদা থম্মোয় শোক্লিঙাই ওই।

এদুকেসন, পৱার, লম্বী থোং, হকশেলগী লমদা শোত্থনা লৈরিবা মফম অসিগী মীয়ামগী অৱাবশিং অদু লৈঙাক্না খঙবীফম থোকই। মখোয়বসু হুন্দোক্লম্লগা ম্যানমারদা শেমগৎনবা ওইনা হোৎনবা অসি মণিপুরগী ওইনা লাইবক থিবনি হায়খি।

মণিপুরগী ঙমখৈদা লৈরিবা মীয়ামগী লম্বী থোং কয়া অসি নিংথিনা শেম্বীয়ু। লৈরিবা ষ্টেট লৈঙাক অসি চহী অনি মপুং ফারকপা অসিদা য়াম্না চাউখৎপগী লম্বীদা চংশিনলক্লি।

লমদম অসিদা থবক ফংদ্রিবা নহারোল লাক্ষ ৭ রোম লৈরিবা অসি লৈঙাক্না হ্বাইট কোলর জোব পীবা ওইথোক্লোই। লমদম অসিগী নহা কয়া থবক পীনবগীদমক স্পাইনিং মিল, খান্সারি সুগর মিল, জিরিবামগী টি ইষ্টেট অসি হিংগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

লোয়ননা নহাশিংদা ত্রেনিং পীদুনা অপীকপা ইন্দষ্ট্রিশিং পায়খৎহন্দুনা শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা হোৎনবা দরকার লৈ। ষ্টেট অসি হৌজিক ইন্দষ্ট্রিজদা ফিদা অমা ফংবা ঙমদ্রি। মরম অসিনা লৈঙাক অসিনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর হেভি ইন্দষ্ট্রিজ অনিল গীতেবু ষ্টেট অসিদা কৌবিদুনা করি করি থৌরাংশিং পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনবীয়ু হায়খি।

# ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা লুপা ক্রোর ৯.৮৫ খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারী ১ (এস এন এস) ঃ

মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা চহী অসিগী নভেম্বর থা ফাওবদা লুপা ক্রোর ৯.৮৫গী রেভেন্যু খোমগৎপা ঙম্লে। চহী অসিদনা মমাংগী চহীদা খোমগৎখিবা চাং য়ৌনা খোমগৎপা ঙম্বগী থাজবা লৈত্রে।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতগী ফংবা পাউচে অসিনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না দিপার্টমেন্ট অসিনা হৌখিবা শেনবা চহী ২০১২–১৩ দা লুপা ক্রোর ২.৮২, শেনবা চহী ২০১৩–১৪ দা লুপা ক্রোর ৩.১, শেনবা চহী ২০১৪–১৫ দা লুপা ক্রোর ৩.৮৩, শেনবা চহী ২০১৫–১৬ তা লুপা ক্রোর ৩.৭১, শেনবা চহী ২০১৬–১৭ তা লুপা ক্রোর ৬.২৭ অমসুং শেনবা চহী ২০১৭–১৮ দা লুপা ক্রোর ২৪.৮৬ খোমগৎপা ঙমখি।

মমাংগী শেনবা চহীদা রেভেন্যু য়াম্না খোমগৎপা ঙমখিবগী মতাংদা পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মতম শাঙনা লমদম অসিদা সো মিল তৌরিবশিংনা শিজিন্নরিবা উশিং অসিগী লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা পীফম থোকপা লোয়েলিতি পীরমদনা আইন কায়না পুশিনলক্লমখি।

অদুগুম্বা সো মিল কয়াদা মরি লৈনবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট ওফিসারশিং অমসুং ফিল্ড ষ্টাফশিংনা চীং অমসুং তমদা লৈরিবা উ খায়বগী মিলশিংদা চেক তৌবদা আইন কায়না পৈদুনা থল্লম্বা উশিং ফাগৎলগা মদুগী ফাইন ওইনা থিহনবদগী য়াম্না শেনফম খোমগৎপা ঙমখি।

মসিদা নত্তনা লম্বীদা ফোরেষ্টকী পোথোকশিং পুথোক পুশিন তৌবা মতমদা আইন কায়না ফোরেষ্টতা কাগদবা তেক্সশিং কারমদবা অদুনা মরম ওইরগা মীকুপ নাহুম শিংনা শেন্নদুনা হোৎনবদগী য়াম্লবা তেক্সকী শেনফম অমসু খোমগৎপা ঙমখি।

হন্দক্কী চহী অসিদা রেভিন্যুগী চাং হন্থরকপা অসি হান্না আইন কায়না ফোরেষ্টকী পোথোকশিং পুথোক পুশিন তৌবা, পৈদুনা থল্লম্বা কয়া অদু লৈঙাক্তা থিফম থোকপা তেক্সশিং চাংনাইনা থিখিবদগী মসিগী তেক্সশিং ফাইন য়াওদনা থিরকপদগী ওইবা য়াই হায়রি। হৌজিক দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা ষ্টাফশিং চেক তৌবগী থবক মপুং ফানা পায়খৎলে।

আইন কায়না উমংগী পোথোক পুথোক পুশিন তৌবা থিংবগী থবক চখদুনা লাক্লি। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অসি তশেংবগীদি রেভেন্যু খোমগৎনবা পান্দমদা লিংবা দিপার্টমেন্ট অমা নত্তে। মসিগী মপুং ওইবা মথৌদি উমং ঙাক শেনবা, য়োকখৎপা অমসুং অকোয়বগী ফিভমদা অকায়বা পীহন্দনবা হোৎনবনি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা শেনবা চহী ২০১৮–১৯গী ওইনা এপ্রিল ইং ২০১৮ দগী দিসেম্বর ফাওবদা ষ্টেট প্লান স্কিমগী মখাদা সোইল অমসুং ৱাটর কঞ্জার্ভেসনগী মখাদা হেক্টর ১৪৮ দা উ পাম্বী থাখ্রে। সোসিয়েল ফোরেষ্ট্রিগী মখাদা লম হেক্টর ১৫০ দা উ চারাশিং থাখ্রে।

ইং ২০১৮ দা উ চারা লাক্ষ ২০গী মথক্তা মীয়ামদা য়েন্থোকখি। মসিগা লোয়ননা ইং ২০১৯গী ওইনা উ চারা লাক্ষ ৩০ শেমগৎপগী থবক খুমাং চাউশিন্না চংশিনলি।

চীংগী লমদা পোপি পাম্বী য়াম্থৎ–খবা লম হেক্টর ৬০ রিহেবিলিতেসন তৌখ্রে। রিহেবিলিতেসন তৌখ্রবা মফমশিং অদুদি পাটলেন, সাঙখোমৈ, দেঙলেন, তুইসোমজাং, মোলনোম, লৈঙাংচীংনি।

রিজার্ভ ফোরেষ্ট রিষ্টোকিং তৌনবগীদমক লম হেক্টর ৬৮৪ তা উ পাম্বীশিং থাখ্রে। লোয়ননা রোদ মেদিয়ান অমসুং লম্বী মতাইদা উ পাম্বীশিং থাবগী থবক কিমি ২০ দা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে।

মসিগা লোয়ননা দিপার্টমেন্টকী মখাদা জিরিবাম, মোরে অমসুং উ–খ্রুলদা রেষ্ট হাউস অহুম শাবগী থবক চখরি হায়রি।

সেন্ত্রেল স্পোন্সর প্রোগ্রামগী মখাদা নেসনেল এফোরেষ্টেসন প্রোগ্রামগী মখাদা এদেদ নেচরেল রিজেনেরেসন, আর্টিফিসিয়েল রিজেরেসন, মিক্স প্লান্টেসন অমসুং রিজেনেরেসন ওফ পেরেনিয়েল হর্ব এন্দ স্রবকী মখাদা লম হেক্টর ১৭৩৩ দা উ পাম্বীশিং থাখ্রে। মসিগা লোয়ননা থাখিবা পাম্বী লম হেক্টর ২৫৩০গী মেন্টেনেন্সকী থবকশিং পায়খৎখ্রে। মসিগা লোয়ননা কেম্পাগী মখাদা লম হেক্টর ২৭২৯ দা উ পাম্বীশিং থাখ্রে লোয়ননা লম হেক্টর ১২৭১২দা মেন্টেনেন্সকী থবক লৌখৎখ্রে।

# কোম্বিং ওপরেসন চংখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০১ঃ

লৈবাকসিগী প্রাইম মিনিষ্টর থা অসিগী ৪দা মণিপুরদা লাক্কদৌরিবা অসিগী মাংজোংননা নুমীৎ খরনিগী মমাংদগী সেকুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপ অদুগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী নুপী পুলিস য়াওবা কম্মান্দো টিমনা ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা গুরুঅরিবম লৈকায় অমদি মহাবলি লম্বীদা কোম্বিং ওপরেসন চংখ্রে। ওপরেসন অদুদা হায়রিবা মফমশিং অসিদা লৈবা য়ুম ৪৮ রোমদা চংদুনা লৈরম্বা মীওইশিং ভেরিফাইদ তৌখি।

# আই এমগা য়াশিন্নবদা...

*লমায় ১গী মখা* লাকপদা এন এস সিএন (আই এম)গী মঙক হায়খৎলক্লগনি। অমদি পামদবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নরক্লগনি হায়না মণিপুরগী মীয়াম্না খল্লি। মখোয়গী পার্টি এন এস সি এন (আই এম)গী মমিংদা মখোয়গী ষ্টেট ফাওদুনা চৎপদা মণিপুরগী মীয়ামদগী পৈশা য়াম্না খোমজিল্লি।

নাগা নত্তনা মৈতৈ অমদি অতৈ ফুরুপ খুদিংমক্না মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি টেরিটোরি কায়বা পামদে হায়না আর কে জয়সনানা প্রাইম মিনিষ্টরদা ইবা চিঠি অদুদা ময়েক শেংনা পল্লি।

# ইং–তপ্পা লৈরবতদা চাউখৎলক্কনি

ইম্ফাল,জনুৱারি ১ (এস এন এস) ঃ

অনৌবা চহী ইং ২০১৯ না লাকপদা সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যাম্না মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। নুংশিবা, অমগা অমগা পাউ ফাওনবা অমসুং শান্তি লৈরবতদা লমদম অমা চাউখৎপা পুরকপা ঙমগনি হায়না সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্যামনা হায়, অনৌবা চহী অসিনা লাকপগা লোয়ননা মালেমদা মপুং ওইনা মণিপুরদা চাউখৎপা নুংঙাইবা পুরকপা ওইরসনু, লোয়ননা ঐগী ঐগী হায়বা জাতি কাঙলুপ নাইবগী অপিকপা ৱাখল্লোন কয়া অদু থাদোক্লদুনা হেন্না নুংশি চান্নবা লমদম অমা ওইরসনু হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, অনৌবা চহী অসিনা লাকপগা লোয়ননা লৈরিবা অনৌবা লৈঙাক অসিনা মণিপুর প্রজাগী চাউখৎ থৌরাং তৌরকপা মতমদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীদুনা হেন্না চাউখৎপা লমদম অমা ওইহনবা ওইরবসু।

লমদম অসিগী হৈ শিংলবা নহা কয়াদা লৈঙাক্না অঙম্বা থাক্তা মতেং পীদুনা মখোয়গী মতিং ফুদোকহন্দুনা ষ্টেট অসিগী চাউখৎ থৌরাংদা মাঙজিল থাবা চহি ওইরসনু। মসিগা লোয়ননা লমদম অসিদা লৈরিবা নুপী অঙাংদা চংবা ক্রাইম মখা তানা থোক্তবা চহী ওইরসনু হায়খি।

# লোনা য়াদবা মখলগী পোলিঠিন খাও ...

*লমায় ১গী মখা* ইনভাইরোনমেন্টতা চাওনা শোকহল্লি। নোংমাইজিং রেঞ্জ ইরিলবুংদা নর্সরি শেম্বগী থবক তৌরিবা মীওই অমনা পাউ–চে অসিদা হায়,উ চারশিং শেম্ননবা লৈবাক হাপ্পা য়াবা পোলিঠিনগী খাও পেকেট হন্দক্তা লৈরগা পীরকখি। পেকেট অনী অদুগী মমল লুপা ৭,৫০০ পী হায়,শীংজমৈদগী লৈরগা পুরকখিবনি। পেকেট অমমমদা পোলিঠিন খাও ১০০০/১০০০ চল্লি।

উ চারশিং থাবদা পোলিঠিনগী মনিং অদুদং শেগায়রগা পুল্লপ ওইনা থাজিনবগী চৎনবী অসি হৌজিকসু অদুম তৌরি। নোংজু থাগী মতমদদি পোলিঠিন খাও অদু লৌথোক্লগা থাবসু য়াওই। অদুবু পোলিঠিন খাও অদু কন্দাইদা লোইশিনগদগে হায়বদুদি কনাগুম্বা অমত্তনা মখোয়দা খঙহল্লকপা লৈতে।

উচেক্কোনদগী মাইমোম কুমার কৌবা মীওই অমনা হায়,উ চার শেম্বদা পোলিঠিনগী মহুৎতা অতোপ্পনা মহুৎ শীন্নবা লৈঙাক্না ৱাখল তৌবীবা য়ারে। চহী অমদা পোলিঠিন লাক্ষ ৪০ লৈমায়দা চাইথোকপদা করি ওইরমগদগে খল্লুবদা অকিবা পোকই। থাজবা য়াবা মফমদগী ফঙবা পাউ অমনা হায়, আসামগী ষ্টেট ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা উ চারশিং শেম্বদা পোলিঠিন শীজিন্নবদা য়ারোই হায়না থীংখ্রে। চহীদা উ চার ক্রোর ৪ দগী ৫ ফাওবা শেম্বগী থবক তৌরিবসি চেনা মহুৎ শীনবা য়াননবা অখঙ–অহৈশিংদা থীদোক্লনবা খঙহনখ্রে। কুমজা ২০২২ ফাওবদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা কুমজা ২০২২ ফাওবদা লৈবাক অসিদগী পোলিঠিন ফ্রি ওইহন্নবা পান্দম অদু ফঙহন্নবা পাউতাক পীখ্রে। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্কীদি করম্বা থৌরাং লৌখৎলক্কদগে হায়বা খঙদ্রি।

# উরেপ উয়ুং তমখিবা চহী ফাখ্রবসু থবক্তি মচি...

*লমায় ১গী মখা* য়াম্না নাগনবা লায়না অমনি। অদুবু খুল অসিদা লৈঙাক্কী ওইবা লায়েংফম অমত্তা লৈতবা অসিনা মহাক্না আশা ৱার্কর অমা ওইরগসু মীয়ামদা মপুং ফাবা হেলঠকী খুদোংচাবা পীবা ঙমদ্রি। মহাক্কী মায়কৈদগী অচম্বা অনাবশিং ফার্ষ্ট এইদকী খুদোংচাবা পীবা নত্তনা অতৈদি পীবা ঙমদ্রি। লোয়ননা খুল অসিদা অঙাং উনবগী মফম লৈতবা অইসনা মীরোলবী শিংদসু চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্নরি। অদুগা অমুকসু হোস্পিটাদা অঙাং উনবা নুপীশিংসু লৈঙাক্না পীবা জননি শিশু শুরকসা করিয়াক্রম (জে এস এস কে) নচিংবা খুদোংচাবশিং নীংথিনা ফংবা ঙমদ্রি হায়খি।

মখা তানা খুল অসিগী ভিল্লেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরী জেনরেল পি. জোনৱাংবৌনা ফোঙদোরকপদা, খুল অসি অৱাংবা চীংগী মফমদা লৈবনা মরম ওইরগা লৈঙাক্না পীবা খুদোংচাবশিং মীয়াম্না মপুং ফানা ফংবা ঙমদ্রি। খুল অসি লম্বী থোংগী খুদোংচাদবা অসিনা মরম ওইরগা চহী খুদিংগী মীওই কয়াদা হোস্পিটালদা পুদুনা লায়েংবা ঙমদবা পুন্সি লোমখিবা কয়া য়াওরে। অমরোমদা অনৌবা লৈঙাক অসিগী লাইরবা মীয়ামদা পীবা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেঙবাং অমদি অয়ুসমান ভারত মিসনগী খুদোং চাবসু খুল অসিদা মীওই অমত্তা ফংবা লৈত্রি। লোয়ননা খুল অসিদা লৈরিবা হকচাংগী ফিভম শোয়নাইরবা মীওইশিংসু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্না পীবা মখল অমত্তগী খুদোংচাবা ফংবা লৈত্রি। থেংনরিবা খুঞ্জাশিংগী অৱাবা কয়া অসি য়েংবিরগা হৌজিক পাল্লিবা অনৌবা লৈঙাক অসিনা হিরম অসিদা মীৎয়েং চঙবিয়ু, অনৌবা লৈঙাক অসিগী গো–টু–হিলগী চপ চাবা কান্নবা অদু ফংহনবিয়ু হায়না মখা তানা আপিল তৌরকখি।

# লৈঙাকপশিং ফাওবা অহল–লমনগী পাউতাক লৌরিবনি...

*লমায় ১গী মখা* অহলশিংনা পুনশিন্দুনা শেমখিবা সেনিয়ার সিটিজন ফোর সোসাইটি, ৱাঙ্গোই চেপ্টর অসিদা কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা অহলশিংনা য়াওশিনবিয়ু। মহাক্কী মায়কৈদগীসু অহলশিংগী য়াইফনবা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎপগা লোয়ননা অহলশিংগী পূনফম অমসু নীংথিনা শেমগৎ–শাগৎনবা হোৎনরগনি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা সোসাইটি অসিবু শেন্দদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর লৈখিদ্রবা ৱাহেংবম নুপামচাগী ফোটোদা মীয়াম্না লৈ কত্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগী মনুংদগী খনগৎলবা খ্বাইদগী অহল ওইবা অহলশিংদসু খুদোলপোৎ পীখি।

# ট্রেনিং এন্দ কনসল্টেসন ওফ জর্নেলিষ্ট ওন চাইল্ড সেফটি এন্দ হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন–নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারী ১(এস এন এস) ঃ

শিংজমৈ চোঙথাম লৈকাইদা লৈবা এফ এক্স বি ইন্দিয়া শুরক্ষ্যনা শীন্দুনা ট্রেনিং এন্দ কনসল্টেসন ওফ জর্নেলিষ্ট ওন চাইল্ড সেফটি এন্দ হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন–নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুরগী তোঙান–তোঙানবা মেডিয়া হাউসশিংদা রিপোর্টরগী শিনফমদা লৈবা মীওইশিংদা হিরম অসিগী মতাংদা লৌশিং পীনবা পান্দমদা কনসল্টেসন অসি পাঙথোকপনি।

এফ এক্স বি ইন্দিয়া সুরক্ষ্যা,মণিপুরগী প্রোজেক্ট ওফিসার খোইনাইজম সুনিল মৈতৈনা থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরমদা পল্লদুনা হায়,নুপী অঙাংগী মায়োক্তা থোকপা থৌদোকশিংবু মীয়ামদা খঙহন্নবগীদমক্তা মেডিয়া হাউসনা রিপোর্ট তৌবদা তঙাইফদনা ঙাক্তবা য়াদবা নিয়মশিং অদু খঙমিন্নসি হায়দুনা ঙসিগী কন্স–ল্টেসন থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লাইবক থীবা থৌদোক নংলবা অঙাংগী মমিং–মথা,মমা–মপাগী মিং,লৈফম,তন্নিবা স্কুলগী মমিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট পার্টিকুলরশিং পাউ–চেদা হাপ্লকপা অসিনা অঙাং অদুবু হেন্না শোকহনবা য়াই।

মহাক্না হায়,মণিপুর অমসুং দার্জলিং অসি হ্যুমেন ট্রাফিক্কিংগী য়াম্না ফার্টাইল ওইবা লমদমনি। লৈত–লাইরগী পনখৈদা লৈবা অঙাংশিংবু লেম্না লাইরিক তমহনগনি,থবক পীগনি হায়না থাজহল্লগা ট্রাফিক্কীং তৌবগী রিপোর্টশিং মণিপুরদা য়াম্না লৈ। অসিগুম্বা থৌদোক অসি চহী ১৮গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংদা তোইনা থেংনৈ। চহী ৩৫গী মখাদা লৈবা মীওইশিংদসু অদুমক থোকপসু য়াওই।

মেডিয়ানা অঙাং অমসুং হ্যুমেন ট্রাফিক্কিংগী মরমদা লুম্না লৌবিয়ু। হিরমসিদা হেন্না অকুপ্পা পাউশিং ফোঙবিয়ু হায়নসু অপিল তৌখি।

এম সি পি সি আরগী মেম্বর কৈশাম প্রদিপকুমার সিংহনা জর্নেলিষ্টকী ইঠিক্স এন্দ রেসপোন্সিব্লিটিজ হ্বাইল রিপোর্টিং ওন চিল্ড্রেন্স ইশু হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংখি।

মহাক্না হায়, ইন্দিয়া কন্স–টিট্যুসনগী আর্টিকল ১৯(১)না ফ্রিদম ওফ এক্সপ্রেসন পী (ফোঙদোকপগী খুদোংচাবা) অদুবু আর্টিকল ১৯(২)না ফোঙদোক্লিংবা ফোঙদোকপদা অথীংবা পীবা এরিয়াসু থম্মি।

শম্না হায়রবদা,রিপাব্লিক ওর্ডর কাইবা য়াবা,লৈবাক কাইবা য়াবা, ফোরেন লৈবাক্কা মরী ফৎহন্দবা,মীগী ইজ্জৎ শোকপা,কম্যুনিটিগী মরক্তা ওংখৎনহনবা,কন্টেম্প ওফ কোর্টস,ক্রাইমস থোকহন্নবা ইনশিনবা ওইনা থোকহনবা য়াবা ৱারোলশিং অসিগুম্বদদি অথিংবা থমসি।

নুপী–অঙাংদা থোকপা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিংদা সর্ভাইভরস (ভিক্টিম) ওইরবা মীওইশিংগী মরী লৈনবা পাউ ফোঙবদসু ইবা য়াবা অমসুং ইবা য়াদবা কয়া লৈ। শম্না হায়রবদা,সোসিয়েল ভিয়ুজ অমসুং জ্যুদিসরি ভিয়ুজদগী য়েংলকপদা করি অমত্তা শোইদবা মওংদা রিপোর্টিং তৌবা অসি য়াম্না মথৌ তাই। পোক্সো এক্ট,২০১২গী সেক্সন ২৩গী মতুংইন্না অঙাংগী মমিং–মথা,মমা–মপাগী মমিং,লৈফম স্কুলগী মমিং অমদি অঙাং অদুগী আইদেন্টিফিকেসন ওইবা য়াবা অমত্তা পাউ–চেদা ফোঙবা য়াদে হায়রি।

স্পিসিয়েল কোর্ট, জে জে বোর্ড নৎত্রগা চাইল্ড ৱেলফিয়র কম্মিটিনা অইবা ওইবা য়াবা পীরবদি অঙাংগী মমিং–মথা ফোঙবা য়াই। মদু নৎত্রবদি পাউ ফোঙলিবা মেডিয়া ফার্মস অমসুং রিপোর্টরস অদু জেল চঙগনি লোয়ননা ফাইলসু থিগনি।

মহাক্না হায়, গভর্ণমেন্টনা লৈবাক্কী ৱেলফিয়রগীদমক্তা মখল কয়াগী স্কিম পাঙথোকই। হায়রিবা স্কিমশিং অসি ফেল ওইবদগীনি। ঙসি লমদমসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকহনবগী চাং য়াম্না হেনগৎলিবসি–অঙাংগা মরী লৈনবা স্কিম লৈনা–লৈনা করিগীদমক্তা অঙাং কয়ানা মীগী ময়ুমদা থবক শুগদৌরিবনো,ট্রাফিক্কিং তৌগদৌরিবনো হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহংনি।

মসিদসু নত্তনা এন জি ও কয়ানা ক্রেদল পোইন্ট থওইনা থমদুনা মফমদুদা অঙাং থনম্নবা পাউজেল পী। অদুবু মীওই অমত্তনা ক্রেদল পোইন্টতা অঙাং থনমদে। মদুগী মহুত্তা নারক মোংশোংদা অঙাং লংথোকই। অঙাংবু নারক–মোংশোংদা,লৌবুক–লম্ফাংদা লাংথোকপগী মওংসি য়াম্না নুংঙাইতে হায়নসু ফোঙদোকখি।

দি দব্লিয়ু সি,ইম্ফালগী চিয়ারপার্সন থিয়াম রাজকিশ্বরনা রোল ওফ মেডিয়া ভর্সেস পোক্সো এক্ট,২০১২, চেলেঞ্জ এন্দ গেপস হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংখি।

# ইলেক্সন কম্মিসন্না লোক সভা ইলেক্সনদা হিদাক মনা শীজিন্নবা থীংখ্রে

ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ১(এজেন্সি) ঃ

ইহান–হানবা ওইনা, ইলেক্সন কম্মিসন্না মথঙ চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা ইলেক্সনগী পোল্লিং বুঠ খুদিংমক্তা মখল খুদিংগী হিদাক মনা শীজিন্নবা থিংখ্রে। মসি লৈবাক অসিদা হিদাক মনা শীজিন্নবা থিংনবা লৈরিবা আইন শোয়দনা চৎনহন্নবা লৌ–খৎলকপা খোংথাংনি।

কম্মিসন্না ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খুদিংমক্তা মখোয়–মখোয়গী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্টোরেল ওফিসার কম দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংদা পোল্লিং বুঠ খুদিংমক্তা মৈখু খক্তা নত্তনা শায়দুনা চাবা হিদাক মনা ফাওবা পোল্লিং বুঠ খুদিংমক্তা শীজিন্নহন্দনবা ইন্সট্রক্সনশিং পীনবা খঙহনখ্রে।

‘লৈবাক অসিগী পোল্লিং বুঠ খুদিংমক হিদাক মনা ফ্রি ওইরে হায়না লাউথোক্লে’ অমদি মৈখু ফ্রি ওইবতা নত্তনা বেরি,চুরুট,গুদখা লোয়ননা মনম নুংশিবা শায়দুনা চাবা হিদাক মনা ফাওবা পোল্লিং বুঠ খুদিংমক্তা থিংলে’ হায়না গাইদ লাইন অদুনা পল্লি।

ইলেক্সন কম্মিসনগী গাইদলাইন অদুগী মতুং ইন্না পোল্লিং বুঠ খুদিংমক্তা মথক্কী ৱাফম অসি পনবা বেন্নর অমমম থেৎকদবনি হায়রি।

পোল্লিং বুঠ খুদিংমক্কী প্রিসাইদিং ওফিসারবু মখোয়–মখোয়গী পোল্লিং বুঠশিংদা হিদাক মনা থিংনবগী নোডেল ওফিসার হাপকনি। দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী টোবেকো কন্ট্রোল সেলনা হিদাক মনা শীজিন্নবগী অমাংবশিং অদু মীয়ামদা খঙহনবগী কেম্পেইন পাঙথোকহনগনি।

খোঙথাং অসি দেল্লি গভর্ণমেন্টকী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ইলেক্সন কম্মিসন্দা পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক্তা টোবেকো ফ্রি জোন ওইহনবতা নত্তনা হিদাক মনা শীজিন্নবা থিংনবা হায়রকপদগী লৌখৎখিবনি।

দেল্লি গভর্ণমেন্টকী এডিসনেল দাইরেক্টর (হেল্থ )না চিঠি অমদা ফোঙদোক্লি মদুদি হিদাক মনা শীজিন্নবা অসি লায়না কয়ামরুমগী হৌরকফম ওইবতা নত্তনা মতম চাদনা শিবা অদুগা হৌজিক অমদি তুংগী মীরোলদা অচৌবা শিংনবা অমা ওইহল্লি। ইলেক্সন নুমিৎতা ঐখোয়গী লৈবাক্কী মীওইশিংনা পোল্লিং বুঠশিংদা ভোট থাদবা চৎনবনিনা নুমিৎ অসিদা হিদাক মনা শীজিন্নবগী মাঙজবা খঙহলহৌবগী চপ–চাবা মতমনি হায়না মহাক্কী চিঠি অদুনা মখা তাখি।